*ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা অহানবা ওইনা হৌদোকখিবা এ টি পি কপ্তা জর্মনিবু মায়থিবা পীবদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এলেক্স দি মিনোর*

*আই টি টি এফনা টেবল টেন্নিস মশান্নগী রেঙ্কিং লাওথোরকপদা য়ু-২১ গী নুপাগী কাঙলূপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী পেদ্দলর মানভ থাক্কর*

## বেঙ্গালুরু এফ সিনা এফ সি গোৱাবু ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী অনীশুবদা হাইগৎখ্রে

*বেঙ্গালুরু, জনুৱারি ০৩ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্তি রাবা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু টিম বেঙ্গালুরু এফ সিনা এফ সি গোৱাবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী অনীশুবা মফমদা হাইগৎখ্রে।

মেটচ অসি শান্নবা হেক হৌরকপদগী গোৱাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথ্দুনা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। অদুবু টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।



অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথ্দুনা লাকখি। শান্নবগী ৫৯শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরুনা কোর্নর অমা ফংখি। কিক অদু টিম অসিগী শান্নরোই দিমাস দেলগাদোনা কাওরকপদা টিমমেট সুনিল ছেত্রিনা য়াম্না ফজবা হেদ্দিং অমা তৌশিন্দুনা এফ সিগোৱাগী গোলকিপর মোহমদ নৱাজবু মায়থিবা পীদুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা গোল শোৎখরিবা এফ সি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা অঙম্বা থৌনা ফুদোক্তুনা শান্নরকখি। মখোয়গী হোৎনজমনগী মহৈ ওইনা মেটচকী ৬১শুবা মিনিটতা এফ সি গোৱাগী শান্নরোই কোরোমিনাসনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট হুগো বৌমসনা গোল অমা চন্দুনা টিম অনীমক গোল ১-১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

গোল মান্নরবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী মায় পাক্নবগীদমক অনৌবা লাল্লোং শীজিন্নদুনা মখা তানা এটেক কয়া চথ্নরকখি। মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮৪শুবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা আসিক কুরুনিয়াননা পীরকপা পাস অমদা টিম অসিগী অহানবা গোল চনখিবা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ২-১ দা মখোয়না মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী ২শুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা লীগ মেটচ অমদা মুম্বাই সিটি এফ সি অমসুং এঠলেটিকো দি কোলকটা লম্বা তৌনরগনি।

## এ টি পি কপকী অহানবা ইদিসনগী অহানবা মেটচতা কানাদানা গ্রিসপু ৩-০ দা থোইখ্রে



*ব্রিজবেন, জনুৱারি ০৩ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি অহুমদা শান্নখিবা য়ু এস দোলর ১৫,০০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা এ টি পি কপকী অহানবা ইদিসনগী অহানবা মেটচতা কানাদাগী টিম্না গ্রিসকী টিম্বু মেটচ ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এ টি পি কপ অসিগী ব্রিজবেনদা শান্নখিবা গ্রুপ 'এফ' কী অহানবা টাইদা কানাদানা গ্রিসপু মেটচ ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। টাই অসিগী অহানবা সিঙ্গলস মেটচ কানাদাগী ফেলিক্স ওগর এলিয়াসিমনা গ্রিসকী মাইকেল পেরভোলারাকিসপু ৬-১, ৬-৩ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচতা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভনা গ্রিসকী সিটসিপাসপু ৭-৬(৮-৬), ৭-৬(৭-৪) দা থোইদুনা মেটচ ২-০ দা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা দবলসকী মেটচতা কানাদাগী পেয়র ফেলিক্স অমসুং সাপোভালোভনা গ্রিসকী পেয়র মাইকেল অমসুং সিটসিপাসপু ৬-২, ৬-৩ দা থোইবা ঙমদুনা টাই অসি মেটচ ৩-০ দা মায় পাকখি।

এ টি পি কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী টাইদা বেলজিয়মনা মোলদোভাবু মেটচ ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। অহানবা মেটচ বেলজিয়মগী ষ্টিভ দার্সিসনা মোলদোভাগী কোজবিনোভপু সিঙ্গলসকী মেটচতা ৬-৪, ৬-৭(৪-৭), ৭-৫ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা সিঙ্গলসকী অতোপ্পা মেটচ অমদা দেবিদ গোফিননা মোলদোভাগী রাদু অলবোর্টপু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ২-০ দা হেন্দুনা চৎখি। অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা দবলসকী লম্বাদা বেলজিয়মগী সান্দর গিল্লে অমসুং জোরান ব্লিয়েগেননা মোলদোভাগী পেয়র রাদু অমসুং কোজবিনোভপু য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ৬-৭(৫-৭), ৭-৬(৭-৪), ১১-৯ দা থোইবা ঙমদুনা টাই অসি মেটচ ৩-০ দা মোলদোভাবু মায়থিবা পীরমখি।

নুপাগী টেন্নিস মশান্নগী অহানবা ওইনা পাঙথোকপা এ টি পি কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী অহানবা টাইদা নোরৱেনা য়ু এস এবু মেটচ ২-১ দা মায়থিবা পীখি। টাই অসিদা নোরৱেগী শান্নরোই কেস্পর রুদনা সিঙ্গলস অমসুং দবলসকী মেটচশিংদা মায় পাকপা ঙমদুনা টাই অসি থোইবা ঙমখিবনি।

## জিটেন্দ্রর কুমার রেষ্টলিং ট্রাইয়েলদা মায় পাকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৩ (এজেন্সি)ঃ*

জিটেন্দর কুমার নেসনেল রেষ্টলিং ট্রাইয়েলগী কেজি ৭৪ গী কেটেগোরিদা মায় পাক্তুনা ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরি।

রেষ্টলিং ট্রাইয়েল অসিগী নুপাগী কেজি ৭৪ গী ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাওটতা জিটেন্দর কুমারনা অমিত ধাঙ্করবু পোইন্ট ৫-২ দা থোইবা ঙমখিবনি। কেটেগোরি অসিদা শরুক য়াগদবা ওলেম্পিক মেডল অনীরক ফংখ্রবা সুসিল কুমার শোকপদগী শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (দব্লিয়ু এফ আই) না লাওথোকখিবগী মতুং ইন্না ইরাই নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা ট্রাইয়েল অসি মায় পাকপা ঙম্বা রেষ্টলরশিং অদু ইটালিদা জনুৱারি ১৫ দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা রেঙ্কিং সেরিজ অমসুং ন্যু দিল্লিদা ফেব্রুৱারি ১৮ দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা দাইরেক্ট শরুক য়াহনগনি।

জিটেন্দরনা রোম অমসুং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্টশিং অসিদা মেডল ফংবা ঙম্লবদি টোকিও ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন ওইরিবা এসিয়ান ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা শরুক য়াবা ঙমদুনা গেমস অসিদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি।

## IOC, বোক্সিং টাক্স ফোর্স ২০২০, টোকিও

শান্নবগা মরী লৈনবদা থোকপা চয়েৎনবগী ৱাথোক লাম্হোক অসি মরক মরক্তা ঐখোয় স্বাইগী থাক্তা থোকপগুম মালেমগী ওইবা থাক্তসু অদুমক থোকই। রিও ওলেম্পিক ২০১৬, দা বোক্সিং মশান্নদা অরোন অথুপ কয়া অমগী চয়েৎনবা ওইবা ৱাথোক ময়াম অমা থোরকপদগী ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (IOC) না ইন্টরনেসনেল এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন (AIBA) বু অথিংবা থমদুনা AIBA গী মথক্তা হিরম কয়াদা ফাইনান্স, গোভরনান্স, ইথিক্স, রেফ্রেয়িং অমসুং জর্জিং ময়ামসিগা মরী লৈনবদা থিজিনবা অমা তৌনবা খঙহনবগা লোয়ননা কম্মিটি শেমদুনা থিজিনবা হৌখি। IOC সিগী অসিগুম্বা অথিংবা অসিনা মরম ওইরগা AIBA না শিনগদবা 2020 , টোকিও ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাইয়িং বোক্সিং ইভেন্ট ময়াম অমা পাঙথোকপদা অকায়বা লাকখি। ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (IOC) নসু ৱাফম অসি য়াম্না হকচিন্না লৌবদগী AIBA দা শিন্নবগী অয়াবসু পীদ্রি। অথিংবা চয়েৎনবা ময়াম অসিনা মরম ওইরগা বোক্সিং মশান্নগী শান্নরোইশিংদা হায়ফম তৌফম খঙদবা অমগী ফিভমদা মায়োক্নদুনা লাকখি। শান্নরোইশিংনা য়াম্না নুংনাংখিবসি মশান্না করিগুম্বা খরনা মরম ওইরগা ২০২০, টোকিও ওলেম্পিক্সতা বোক্সিং মশান্না অসি য়াওহলক্নোইদ্রা হায়বসিনি। অদুমকপু মদুমক্তি থোক্ক্রে, ২০২০ টোকিওদা শোয়দনা য়াওরগনি। ক্বালিফায়িং বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ কয়া শিনবা লাংবগী অয়াবা IOC না AIBA দা পীদ্রবসু মসিবু শিন্নবগীদমক IOC গী একজিক্যুটিভ বোদিনা স্পিসিয়েল বোক্সিং টাক্স ফোর্স অমা শেম্লগা মশান্না অসিগা মরী লৈনবা খূদিংমক পাঙথোক্নবগী অয়াবা পীখি। বোক্সিংগী মতাং দা হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসি ওলেম্পিক্কী ইতিহাসতা অমুক্তা থোকখিদ্রি। মশান্না খুদিংমক্তা হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসিনা অহানবনি। শেম্লিবা বোক্সিং টাক্স ফোর্স (BTF) অসি মীওই মঙানা শাবনি। মসিগী চেয়রনা IOC গী মেম্বর ওইরিবা ইন্টরনেসনেল জিমনাষ্টিক্স ফেদেরেসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা জপান মচা Morinari Watanabe নি অদুগা অতৈ মেম্বর খর অদুনা

1) Willi Kaltaschmitt Lujan, IOC Board Member, Guatemala
2) William Frederick Blick, IOC Member, Uganda
3) Marius Vizer, President, International Judo Federation, Australia
4) Aya Medany, IOC, Athletes Commision member, Egypt.

মীওই মঙানা শেম্বা BTF অসিনা ফাইনেল বোক্সিং ক্বালিফায়িং ইভেন্ট মঙা ফেব্রুৱারি ২০২০ দগী মে ২০২০ ফাওবগী মনুংদা ব্লোক ৱাইজ য়েংদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মফম মঙা অদুদিঃ-

1) Asian / Oceania, Qualifying event, Wuhan, CHN
2) African Qualifying event, Daka-SEN
3) European Qualifying event, London, GBR
4) American Qualifying event, Bounos Aires, ARG
5) Final qualifying event- Paris, FRA

IOC না শিল্লিবা থৌরাং অসি বোক্সিং মশান্না অসি মালেমগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা য়ৌহন্দুনা হেন্না পূক্লিং হুনিংঙাই ওইবা ফজরবা মশান্না অমা ওলেম্পিক ফম্বাক্তা য়ৌরক্নবগীদমক্তনি। ৱাখল্লোন অসিনা লিচিং ওইরগা IOC না BTF না পাঙথোক্কদৌরিবা থবক থৌরম পুম্নমকপু মতেং পাঙদবা ওইনা IOC না কোল্লিবা রিজন খূদিংদগী মশান্না অসিদা পৃথিবীগী মীপুম খূদিংনা ইকাই খুম্নরবা খুম্নরবী নুপী বোক্সর মঙা নুপা বোক্সর মঙা পুন্না বোক্সর তরা খনগৎতুনা এম্বেসেদর ওইনা হাপ্তুনা ২০২০, টোকিও ওলেম্পিক্তা বোক্সিং মশক থোকপা স্পোর্টস ইভেন্ট অমা ওইহন্নবা মখোয়গী সজেসন সিয়ার তৌহনগদৌরিবনি।

IOC না খনলবা এম্বেসেদর তরা অসিগী মনুংদা Asia রিজনগী নুপীগী ওইবদা মণিপুরদা পোকখিবী মালেমগী ওইনা নুপী বোক্সিংগীদমক পোক্লকখিবী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা কয়ানা লৈতেংলবী ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট M C Mary Kom সু য়াওরি। অতোপ্পা খনগৎলবা এম্বেসেদরশিং অদুদিঃ-

নুপাগীদা
1. Lukmonlawal-(Africa) (Nigeria Boxer)
2. Julio Cesar La Gruz-(America)(Cuban Boxer)
3. Hu. Jiangguan- (Asia) (China Boxer)
4. Vasyl Lamachenko-(Europe) (Ukraine Boxer)
5. David Nyika- (Oceania) (New Zealand Boxer)

নুপীগী ওইবদা
1. MC Mary Kom-(Asia) (India Boxer)
2. Khadija Mardi- (Africa) (Morocco Boxer)
3. Mikaela Mayer- (America) USA Boxer)
4. Sarah Ouramoune-(Europe) (France Boxer)
5. Shelly Watts- (Oceania) (Australia Boxer)

**এল. কালা উরিপোক**

2020, টোকিও ওলেম্পিক অসিদা IOC গী অয়াবদা শেম্নবা BTF অমদি এম্বেসেদর গ্রুপ অসিগা পুন্না খূৎশম্নমা চৎমিন্নদুনা হেক ঙল্লিবমখৈ হোৎনদুনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারিবা বোক্সিং শান্নরোই খূদিংমক্কী থম্মোই অপেনবা পোকহন্নবগীদমক হোৎনগদৌরি। অদুগা অমরোমদনা হেন্না ফজরবা মপুং ফারবা পৃথিবী অমা শেমগৎনবা শাগৎনবা হোৎনবদা শান্নবগী লম্বীদা ফাওদুনা চৎকদবনি হায়বদা থাজবা থল্লিবা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনি হায়বসিমসু খঙহন্নবা মশক থোকপা পাওজেল কয়াগা লোয়ননা মপুং ফারবা মহৈ য়াল্লবা ২০২০, ওলেম্পিক গেমস অমা ওইনবগীদমক হোৎনবা কনবা জপান লৈবাক্কা খূৎশন্নবা IOC না হোৎনরি।

ওলেম্পিক গেমস পাঙথোকপা খূদিংগী হেন্না হেন্না ফজবা মশক থোকপা শান্নরোই থোরক্নবা মফম শেম্লিবা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি অসি পৈশা তান্দুনা শেন্দোংগীদমক লৈবা মনিং তম্বা ওর্গনাইজেসন অমা নৎতে, স্পোর্টসপু হেন্না হেন্না পাকথোক-চাওথোকহন্নবা হোৎনরিবা, শান্নবা পামজবা মীপুম খূদিংদা লোয়ননা পৃথিবীগী মফম খূদিংদা লৈরিবা স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন কয়াবু মতেং পাঙলিবা পূক্লিং থৌগৎলিবা নুমিৎ খূদিংগী লেপ্পা লৈতনা হোৎনরিবা IOC নি হায়বসি ঐখোয় খূদিংনা খঙমিন্নবা তাই।

## লিভরপুলনা সেফিল্ড য়ুনাইটেদপু ২-০দা মায়থিবা পীখ্রে

*লন্দন, জনুৱারি ০৩ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা লিভরপুলনা সেফিল্ড য়ুনাইটেদপু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



লিভরপুলগী হোম গ্রাউন্দ ওইখিবা এনফিল্ড ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইরিবা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথ্দুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

মেটচকী ৪শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা এন্দি রোবার্টসন্না পুশিল্লকখিবা বোল অমা ফিভম চানা লৈরিবা টিমমেট মোহমদ সালাহদা খাইদোরকখিবা বোল অদু সালাহনা নীংথিনা কন্ট্রোল তৌদুনা গোল ওন্থোক্তুনা লিভরপুলনা ১-০ দা ঙন্না মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

গোল শোৎখরিবা সেফিল্ড য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা খুদোংচাবা হেক ফংবদা লিভরপুলগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা ইক্বেলাইজ ওইবা য়াবা খুদোংচাবা থিদুনা লাকখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী লিভরপুলনা ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল মাঙজিল থারিবা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথ্দুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৬৪শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা সাদিও মানেনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্নবা ফাওবদা গোল শোৎখরিবা সেফিল্ড য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমখিদে। লিভরপুলগী মায়কৈদগীসু অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অসি লিভরপুলনা ২-০ দা মায় পাকখি।

## ইন্দিয়াগী য়ু-১৯ টিম মায় পাকখ্রে

*দরবান, জনুৱারি ০৩ (এজেন্সি)ঃ*

সাউথ অফ্রিকাদা চথরিবা লৈবাক ৪ গী ৱান দে ইন্টরনেসনেল সেরিজগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়াগী য়ু-১৯ নুপা ক্রিকেট টিম্না য়ুম্বু সাউথ অফ্রিকাবু রন ৬৬ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ৫০ দা বেটসমেন ৫ আওট ওইরগা রন ২৬৪ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী বেট্টিংদা টিম অসিগী কেপ্টেন প্রিতম গর্গনা বোল ১০৩ দা রন ১১০ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

সাউথ অফ্রিকানা মায় পাকপগী রন ২৬৫ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ৫০ দা বেটসমেন ৯ আওট ওইরগা রন ১৯৮ খক লৌখিবদগী মেটচ অসি ইন্দিয়ানা রন ৬৬ দা মায় পাকপা ঙমখি। ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা সুসান্ত মিশ্রানা সাউথ অফ্রিকাগী বেটসমেন ৪ আওট তাহন্দুনা মেটচ অসি মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখি।

ক্রোসৱার্দ ৩৮৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | L | I | D | | S | H | A | R | P | | I | D | E | A |
| T | I | N | E | | E | E | R | I | E | | C | E | L | L |
| E | N | G | A | G | E | M | E | N | T | | E | L | L | A |
| A | D | O | R | E | D | | A | G | E | N | C | I | E | S |
| L | A | T | I | N | | | S | O | R | E | R | | | |
| | | | E | R | I | E | | | | T | E | E | N | Y |
| D | O | C | | E | R | A | S | E | R | | A | R | I | A |
| I | D | L | E | | A | S | I | D | E | | M | I | L | L |
| S | O | U | L | | S | E | R | E | N | E | | C | E | E |
| C | R | E | E | P | | | | N | O | R | M | | | |
| | | | M | A | D | A | M | | | R | E | P | O | T |
| E | T | C | E | T | E | R | A | | P | E | R | I | S | H |
| W | A | R | N | | C | O | N | F | I | D | E | N | C | E |
| E | X | I | T | | A | S | I | A | N | | S | T | A | S |
| R | I | B | S | | L | E | A | N | S | | T | O | R | E |


MEIKLEY International School

ESTD. 2016

ADMISSIONS OPEN



Curriculum supported by BUBBLES KIDS (A Globally Recognised)

Classes Pre-Nursery to Class III

2020 - 2021

Class Starts from 23RD Jan, 2020 THURSDAY

Vacancy : 4 LADIES TEACHERS

For details, just dial : 8787880819 9774770388

Lalambung Makhong, Near Lalambung Pung RIMS Road, Imphal -1

meikleyinternationalschool@gmail.com

SL/5669/3+15 days

FOCUS

The Conceptual study Circle

Lalambung Makhong Near Lalambung pung RIMS Road

*Focus study circle in association with Mastermind Abacus Lalambung Centre, aims at shouldering the responsibility of your child for the complete preparation of their school syllabus. It aims at identifying the weaker subject of your child and providing a conceptual guidance to make the child step forward with confidence.*

Admission is going on for the session 2020-2021



- Starting with Class I to X (CBSE & Manipur Board)
- Class timing 4:45 to 7:45p.m.
- Covering all subjects.
- Conceptual class on weak subject
- Self study hour under the supervision of teachers.
- Weekly Exam on every Sunday.
- Managing the school task done in their respective classes with a schedule and scientific way of revision method.
- Experience Teachers and Guest Faculties for Exam preparation.

For Further information pliz Contact # 9774770388

SL/5669/3+15 days